# ইরৈবাক

১৯ শুবা চহি ২৮৬ শুবা মশিং | ইম্ফাল, নবেম্বর ২৬, ২০২১ হিয়াঙ্গৈ ২২ নি পানবা ইরাই | www.ireibak.in | লুপা ১.৬০


## গারি হুরানবা ফারে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী ইরোং বজার ময়াদা ককচিং পুলিসকী কাঙবু অমনা ফ্রিস্কিং চেক্কিং চথবদা গারি হুরানবনি হায়বা মীওই অমা গারি ৩ গা কোন্নন ফারে। ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা এম দি অশিক চহি ২০ অপোকপনা এম দি মুনির খান কৌই। ইরোং চেসাবা ময়াই লৈকায়দগীনি।

ৱাহং পাউহং চথবদা মঙোন্দগী রোয়েল ইনফিল্ড ১, নম্বর থাদবা এক্তিভা ১, হোন্দা দাইও ১ মহাক্কী ময়ুমদগী ফাগৎখি। গারিশিং অসি ইরোং সলম অচৌবা মথক্তা লৈবা মীওই অমনা ঙরাং শিন্নরকপনি। গারি অমমমদা লুপা লিশিং ৫ / ৫ লৌখি হায়রি।



নুপীদা ভাইওলেন্স চথবগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা চান্দেলদা রেল্লি চৎখিবা ।

# পুং ২৪ দা মীওই ২৪ পোজিটিব ওইখি মীওই ১ লৈখিদ্রে এক্তিবতা ৬৮৭ লায়েংলি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মনিপুরদা নৌনা মীওই ২৪ কোভিদ পোজিটিব ওইখি। কোভিদনা মীওই ১ লৈখিদ্রে। কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোলদা পুন্না মীওই ১৬৬০ টেষ্ট তৌবদা চাদ ১.৪ গী চাংদা মীওই ২৪ পোজিটিব ওইখি। মীওই ১ না লৈখিদে। অনৌবা পোজিটিব কেসশিং অসি জেনরেল পোপুলেসন্দগী নুপা ১২, নুপী ১২ নি। কেসশিং অসি রিমসতা ২, অতৈ টেষ্টিং সেন্টরদা ২২ থেংনখি। জেনরেল পোপুলেসন্দগী নৌনা পোজিটিব ওইরক্লিবশিং ইম্ফাল ইষ্টতগী ২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৮, ককচিং ৫, চুরাচান্দপুর ১, কামজোং ৩, কাংপোকপি ১, তমেংলোং ১, তেংনৌপল ১, উখ্রুল ২নি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা পোজিটিব ওইবগী চাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৪৮ টেষ্ট তৌবদা ৫ পোজিটিব ওইদুনা চাদ ১০.৪ গী চাং য়ৌখি। তেংনৌপলদা চাদ ৫.৩, কাংপোকপি ৩.৭, কামজোং ৩.১, উখ্রুল ৩.১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ১.৮, অমদি চুরাচান্দপুর ১.৭ ওইখি। অমরোমদা ষ্টেট লেবেল কোভিদ ১৯ দেথ ওদিট কম্মিতিগী রিপোর্টতা পুং ২৪ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মীওই ১, কোভিদনা লৈখিদে। মীওই অসি ভেক্সিন কাপথোক্তবা মশাগী অনাবসু লৈবা মীওইনি। মহাক থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদনা শিখিবা মীশিং ১৯৬৬ য়ৌখ্রে।

ঙসিগী ওইনা মীওই ৩৪ দিসচার্জ তৌখি। দিসচার্জ তৌখিবশিং হোম আইসোলেসন্দগী ১০, রিমস ১, জেনিমস ৫, কোভিদ কেয়ার সেন্টরশিংদগী ১৮ নি। নবেম্বর ২৫ ফাওবদা মনিপুরগী পোজিটিব কেস ১২৫০৭০ য়ৌখ্রে। লায়েংবদগী ফগৎলকপনা ১২২৪১৭ নি। এক্তিব কেসতা মীওই ৬৮৭ লায়েংলি। মখোয়গী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসন্দগী ৬২১ সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ৬৬ নি। রিকোভরি রেটনা চাদ ৯৭.৮৮ ওইরি। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা দি তাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ২৮০, বি তাইপকী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১০৫ ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা হেলথ ফেসিলিতিশিংদা ফংহনখি।

মখা তানা নবেম্বর ২৫ ফাওবদা ষ্টেট অসিগী কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা মীশিং ২১২২৪৯৮ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্পনা ১২৭৩৯০৬ নি। অনিশুবা দোজ কাপথোকপনা ৮৪৪৮৫৯২ নি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেক্সিন কাপথোকপগী চাংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অহানবা দোজ চাদ ৬৬.৪৪, অনিশুবা দোজ ৪১.৩৩, চান্দেল অহানবা দোজ চাদ ৬৪.৮২, অনিশুবা দোজ ৪৪.২৫, চুরাচান্দপুর অহানবা দোজ চাদ ৫৫.৬২, অনিশুবা দোজ ৩৭.৮৭, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৬৭.৬৫, অনিশুবা দোজ ৪৬.১৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ চাদ ৭০.৯৭, অনিশুবা দোজ ৫১.৬৩, সেনাপতি অহানবা দোজ চাদ ৩০.২৮, অনিশুবা দোজ ২১.৯৬, তমেংলোং অহানবা দোজ চাদ ৩৭.৩৩ নি, অনিশুবা দোজ ২৫.০৪, থৌবাল অহানবা দোজ চাদ ৫৬.১৭, অনিশুবা দোজ ২৯.০৩, উখ্রুল অহানবা দোজ চাদ ২১.৬৭, অনিশুবা দোজ ১৫.৮৪, তেংনৌপল অহানবা দোজ চাদ ৪৪.৪৮, অনিশুবা দোজ ২৫.২২, কাংপোকপি অহানবা দোজ চাদ ১৭.৯৮, অনিশুবা দোজ ১০.৮৭, কামজোং অহানবা দোজ চাদ ৩০.০৬, অনিশুবা দোজ ১৯.৬৯, জিরিবাম অহানবা দোজ চাদ ৭০.৪৪, অনিশুবা দোজ ৫৩.১৬, ফেরজোল অহানবা দোজ চাদ ৩২.১৭, অনিশুবা দোজ ২৭.৯৮, নোনে অহানবা দোজ চাদ ৩৬.৮৬, অনিশুবা দোজ ২৫.২৪, ককচিং অহানবা দোজ চাদ ৭১.১৩, অনিশুবা দোজ ৪৫.৩১ নি।

মনিপুরগী ওইনা অপুনবা ভেক্সিনেসনগী চাং অহানবা দোজ চাদ ৫৪.৪২, অনিশুবা দোজদা ৩৬.২৫ নি।

# এ দি সি বিল এসেমব্লিগী নিংথম মীফমদা পুথোক্লগনি লৈঙাক্না ইকোনোমিক ব্লোকেন্দ চথরিবশিংগা এগ্রিমেন্ট ইন্নখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ মনিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী হীল এরিয়াজ কম্মিতিনা রিকমেন্দ তৌখিবা দি মনিপুর (হীলএরিয়াজ) ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল বিল ২০২১ লৈঙাক্না এসেমব্লি মীফমদা পুখত্তুনা খন্নদবগী মায়োক্তা নেস্নেল হায়ৱেদা ইকোনোমিক ব্লোকেদ চথবা মীওই ১২ ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা পুলিসনা নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী ফারগা ইম্ফালদা পুরকখ্রে। পুলিসনা ফাজিনখিবা অটসুম, কে এস ও, অন্সমগী মীওইশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপদা য়ান্নখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা নেস্নেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুরগা লাকপা গারিশিং অথিংবা পিবদগী অটসুমগী ইগজিক্যুতিভ মেম্বর ১১, কেএস ও গী মীওই অমা নুংবা পুলিস অমসুং কম্মান্দোগী অপুনবা কাঙবু অমনা নুংবা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নোনেদগী ফাজিনখি। ফাজিনখিবশিং অদু ঙসি অয়ুক পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ইম্ফালদা পুখি হায়না অটসুমগী চেরোলদা হায়রি।

অটসুমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতি সেলগী চেরোলদা পুলিসনা ফাজিনখিবগী থৌওং অসি কন্দেম তৌই। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা দেমোক্রেটিক ওইনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মায়োক্তা চংশিল্লকপা অসিনা খোঙজং অসিবু শিংনবা ওইনা থোকহল্লি। অটসুম, অন্সম, কে এস ও জি ঐচ ক্যুগী লুচিংবশিং পুলিস্না ফাজিনখিবা অসি ঙসি নুংথিন পুং ২ ফাওবগী মনুংদা কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা লৈঙাক্না থাদোক্তবা তারগদি মীয়ামগী ওইবা অকনবা খোঙজং ষ্টেট অসিদা টোটেল শটদাউন্নচিংবা চংশিল্লকপা য়াই হায়রি।

তাঙ্খুল কটমনাও, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসননা এ দি সি বিল ২০২১ অসি লৈঙাক্না এসেমব্লিদা খন্ননবা তকশিল্লদুনা ইকোনোমিক ব্লোকেদকা মরি লৈননা পুলিসনা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিং ফাজিনখিবা অসিদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। কে এস ও সদর হীলসনা পুলিসনা ফাজিনখিবা ত্রাইবেল মহৈরোয়শিং অথুবা মতমদা থাদোকউ হায়না মনিপুর লৈঙাক্তা তকশিল্লদুনা ঙসি কাংপোকপিদা বন্দ চথখ্রে। বন্দনা মরম ওইদুনা কাংপোকপি বজারগী দুকানশিং থোং লোন্নখি। কৈথেল ফম্নখিদে। লম্বীদা গারিশিং চেন্নখিদে।

ঙসি অটসুম, অন্সম, কে এস ও গী মীহুৎশিংগা লৈঙাক্কা ৱারি শান্নবদা হীল এরিয়া কম্মিতিগা লৈঙাক্কা এ দি সি বিল দ্রাফটকী মতাংদা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা খন্নরগনি। বিল অসি এসেমব্লিগী নিংথম মীফমদা পুথোকপা ইকোনোমিক ব্লোকেদ সস্পেন্দ তৌবা হায়না য়ান্নখি।

অমরোমদা মীতৈ / মৈতৈশিং সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টা চনবগী মতাংদা মীতৈ / মৈতৈগী ইথনোগ্রাফি অমসুং সোসিও ইকোনোমিক রিপোর্ট মনিপুর লৈঙাক্না মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফিয়ার্সতা থাদবগী মায়োক্তা ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিলনা ঙরাং অহিংদগী মনিপুরদা পুং ৭২ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চথরি। জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মরম ওইদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পোৎফম ফম্নখিদে। পাওনা কৈথেল, থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈবা দুকানশিং থোং হাংনখিদে। কৈথেলশঙ খরসু পোৎফম ফম্নখিদে। ওইল পম্পশিং থোং লোন্নখি। অদুবু মফম খরদদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী মমি তাখিদে, পোৎফম ফম্নখি। দুকান থোং হাংনখি। লম্বীদা মহৌশাগুম্না গারিশিং চেনখি।

## পি দব্লিউদি ভোত্তরশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ স্পিসিয়েল সম্মরি রিভিজন (এস এস আর) ২০২১ অসি লোইশিল্লকপদা পার্সন্স ৱিথ দিসএব্লিটিশিং (পি দব্লিউ দি) ইলেক্তোরেল রোলদা মশিং য়াম্না য়াওহন্নবা পান্দম থল্লি। পি দব্লিউ দি ভোত্তর ৪০০০ রোম ভেরিফাই তৌদুনা ইলেক্তোরেল রোলগী মার্ক তৌরে হায়না সি ই ও মনিপুর রাজেশ অগরৱালনা হায়খ্রে। ঙসি সি ই ও না চিয়ার লৌদুনা পাংথোকখিবা ভর্চুয়েল কনফরেন্স ওন এসেসিবল ইলেক্সন্দা হায়খিবনি।

সি ই ওনা হায়খিবদা হৌজিক ফাওবদা পি দব্লিউ দি ইলেক্তর ১২,০০০ হেন্না ইলেক্তোরেল রোলদা মার্ক তৌখ্রে। পি দব্লিউ দি ইলেক্তরশিং রেজিষ্ট্রেসন অমসুং মার্কিংদা সি এস ও শিংনা মতেং পাংবিয়ু। তোঙানবা ষ্টেপশিং লৌখৎলি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী ইন্সত্রক্সন মতুং ইন্না পি দব্লিউ দি ইলেক্তরশিংদা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুদোংচাবা পিবগা লোইননা মখোইবু পিকঅপ অমসুং দ্রোপকী খুদোংচাবসু ফংহনগনি। এস এস আর অসি থা অসিগী ৩০ ফাওবা চথগনি। ভর্চুয়েল কনফরেন্স অদুদা জোইন্ট সি ই ও রমানন্দা, এম দি দাউলট খান অমদি মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

## ভইওলেন্স চথবগী মায়োক্তা থৌরম পাংথোকখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ ঃ য়ু এন ইন্টরনেস্নেল দে ফোর ইলিমিনেসন ওফ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱুমেনগী থৌরম ঙসি দি সি কমপ্লেক্স চান্দেলদা পাংথোকখ্রে। ওরেঞ্জ দি ৱার্ল্ড এন্দ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱুমেন নাও হায়বা থিমদা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা সেন্টর ফোর ৱুমেন এন্দ গার্লসকী সেক্রেটরি হেচিন হাওকিপনা থৌরমদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পিখি।

তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা পাংথোকখিবা থৌরম অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা নুপীশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া পায়খৎপিনবা দি সি দা মেমোরেন্দম অমা পিশিনখি। দি সি ময়াংলম্বম রাজকুমারনা নুপাশিংনা নুপীবু ওৎপি নৈবিবা অদুগা নুপীনসু নুপীদা ওৎপি নৈবিবগী থবক অসি তোক্লসি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু ওৎপি নৈবিবগী চৈথেং ফংলবী নুপীশিংগী মতম খরগী ওইনা চংজফম পিনবা নৎত্রগা কাউন্সেল্লিং পিদুনা মতেং পাংনবগীদমক ৱান ষ্টোপ সেন্টর অমা দি সি ওফিসকী কমপ্লেক্সতা হাংলে মসিগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু। সেন্টর অসিদা ভিক্তিমনা লাকপগী অমদি পাউ পিরকপগী খুদোংচাদ্রবদি খংন চানবা, মরি মতাদা পাউ পিরকপা য়াগনি হায়রি।


